# ঐনা শান্ন-খোৎনবা পামজরকখিবা অসিদি দি এস এ ককচীংগী গ্রাউন্দগা নক্লনা লৈরুবদগীনি ঃ এম বীমোলজিৎ

স্পোর্টসতা মীৎয়েং অমা রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



এম বীমোলজিৎ
অর্জুন এৱার্দি (ৰুশু)



ইম্ফাল, মার্চ২০ ঃ
মণিপুরীশিং অসি মহৌশাদগী মার্সেল আর্টসকী মশান্নশিংগা থোইদোক্লা চান্নরকই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লমদমসিগী ওইনা মমাঙৌদগী শাগোন্নদুনা লাকপা মশান্না কয়া অমসু লৈজরকই। থাঙ-তা, শরিৎ-শরাক, মুক্না ... অসিনচিংবগী কাঙলোন কয়া লোইনদুনা লাকখিবা অসিনা মণিপুরীশিং মার্সেল আর্টসকা নকশিন্নবা মশান্নশিংদা খোঙদারকপদা ইৱায় লায়না থোকই। কুংফু, টাইক্বান্দো, কিক বোক্সিং, করাটে, ৰুশু হায়রিবা গেম মখলশিং অসি চুশিন্ননা শান্নবসু ঙম্মী। মণিপুরগী ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ককচিং অসিসু শান্ন-খোৎনবদা অচৌবা মফম কনবা ঙম্বা লমদম অমা ওইরক্লি।

ফুটবোলদা, স্বিমিংদা, ট্রাইথলোন্দা, ৰুশুদা মমিং লৈবা প্লেয়র কয়া ককচীংদগী থোকখ্রে। হীরম কয়াদা লৈবাককী মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা শান্নরোয় কয়াসু লেপ্তুনা পুথোরক্লি। ময়াংলম্বম বীমোলজিৎ সিংহসু শান্ন-খোৎনবদা অচৌবা ফিদা ফংবা ঙমখ্রবা মীশক অমনি।

কুমজা ১৯৮৩ গী ফেব্রুৱারী ২ দা ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং ৱার্দ নম্বর ৪ দা লৈবা ময়াংলম্বম নরান সিংহ অমদি ময়াংলম্বম ওংবী শকুন্তলা দেবীগী মচা তরুক্কী (নুপা মরি, নুপী অনীগী) মঙাশুবা মচা ওইনা ময়াংলম্বম বীমোলজিৎ তাইবঙদা খোঙদারকখি।

শান্ন-খোৎনবগী মগুন চেন্দুনা পোল্লকপা মীওইদি মহৌশাদগী খরসু তোঙাল্লি। হেক পোকপদা য়াওরকপা গুন হায়বসিদি তাঞ্জা হেক ফংবদা পোকখায়রক্কদবগী ঙাইদুনা লৈ।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েশন ককচীংগী গ্রাউন্দগা নক্লা লৈরুবনা বীমোলজিৎসু পুংকক চাউরকপা মতমদগী গ্রাউন্দদা থোরকপা হৌরকখি। লোয়নননা ভিক্তোরি হায়স্কুলদা ক্লাস সভেন তম্বা মতমদগী ফুটবোল শান্নবা হৌরকখি।

ফুট মরিগা ইঞ্চি নীপানগী ওইবা ফুটবোল কম্পিটিশন কয়াদা কেপ্তেন্নচিংবা ওইদুনা দিষ্ট্রিক্ট থুংনা চৎতুনা শান্নরকখি। দি এস এ ককচীংগী গ্রাউন্দগা ময়ূমগা নক্করুবা অদুনা বীমোলজিৎতা শান্ন-খোৎনবসি হেন্না পামহন্নবগী মরম অমসু ওইরকখি।

ফুটবোলদা নত্তনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মার্সেল আর্টসকী ওইনা মশান্নশিংসু বীমোলজিৎনা য়াম্ন মক পামজরকখি। ফুন-কাংলোন, শরিৎ-শরাক, কাউন-থিন্নবগী অকুপ্পা মশান্নশিং মমুৎ তানা হৈনিংবদগী ককচীং তুরেল ৱাংমদা লৈবা মতমদুদা অঙাংশিংদা মার্সেল আর্টসকী মশান্নশিং তম্বীরিবা কোচ ক্ষেত্রিময়ূম জুগেশ্বরগী মনাক্তা লাকখি।

কুমজা ১৯৯৭ দগী গেম অসিদা খোঙ থাঙজিল্লকপা হৌরকখি। অহানবা ওইনা কোচ জুগেশ্বরনা শান্নরোয় ময়াম অমা তাকপী তম্বীরম্বদু উবদা মহাকসু থৱায় তানা য়েংজখি।

মতাংসিদা বীমোলজিৎনা অসুম্না ফোঙদোরকখি, ঐনা শান্নবদা হেন্না থৱায় য়াওনা পুক্নিং ৱাখল লুপশিনবসি ঐগী ইয়াম্বশিং অসিনদি পামদে। মখোয় কনানসু ঐবু শান্নহন্নিংদে। ঐগী ইয়াম্বা অমসু ফুটবোল শান্নরম্মী। অদুবু মতম শাংনা শান্নবদি ঙমখিদে। মরমদি লায়রবা ইমুংদা পোল্লুবনা শান্নবদা নীংবা থুংদনা তোকখি।

ঐসু অদুগুম্বা লাইরবা ইমুংদুদগী চাউরকখিবা মচানি। লৈত-লাইরনা মরম ওইরগা লাইরিক লাইশু নিংথিনা তম্বা ফংলকখিদে। অয়ূক চারগা, নুমিদাংনা কমদৌবা হায়না খল্লগা অৱাবা কয়াগা ইরোইনরগা চাউরকখি। অদুনা ঐনা শান্নবা চৎলকপা মতমদা ইমুংদগী অথিংবা কয়া থল্লকখি।

ইশানা কন্না পামজরকপনিনা পুরা থিংবদি ঙল্লকখিদে। অদুবু শান্নরকপা মতমসিদা ইশানা ইশাদা ৱাহং কয়া অমদি তত্তনা হংজরকখি। ঐনা শান্নগদৌরিবসি করিগীনো? ঐহাক মায়পাকপা শান্নরোয় অমা ওইননবা করি করি তৌবা তাই, ৱাহং কয়াসিগা লোয়নননা শান্নবা হৌরকখি।

ঐবু অহানবা ওইনা মার্সেল আর্টসকী কাংলোন তম্বীরকপা মতমদা ঐগী ওজা জুগেশ্বরনা ইশাগী পুন্সিবু মশক মুন্না খঙহনবীবগা লোয়নননা য়াম্না ফজনা লমজিংবীরকখি। মীওইবা অমা ওইনা হিংবদা চঙবা খ্বাইদগী মরু ওইবা কাঙলোন, চৎন-লোনচৎ, থকসি-খাসি, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, ফিজেৎ-চাকচা পূম্নমক ময়েক শেংনা অমমমতা ওইনা তাকপী তম্বীরকখি। ঐবু পুন্সি চুপ্পা লমজিংবীরকখিবসি ঐগী ওজা জুগেশ্বর অসিননি। -মথং-মথং

# চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ষ্টেট ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ২০ ঃ
লসাল লৈমপোকপম খুনফম্না শিন্দুনা লৈমপোকপমদা লৈবা লসাল গ্রাউন্দদা চথুরিবা ২১ শুবা লসাল স্পোর্টস মীট ২০১৬ এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা লসাল টিম এ লৈমপোকপম্না দল্লিয়ু বি সি লৈমরাম গোল ৯-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাওনা মায় পাল্লবা লসাল টিম এ লৈমপোকপমগী গোলশিং অদু গোলমৈনা গোল অমা মেচকী ৩ শুবা মিনিটতা চনখি। নবচন্দ্রনা গোল তরুক মেচকী ৬, ২০, ২৫, ২৭, ৩৫ অমসুং ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখি। ঙৌবনা গোল অনী মেচকী ১৭ অমসুং ১৮ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা দল্লিয়ু বি সি লৈমরামগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মাইকেলনা মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি অয়ূক্তা কে ৱাই সি এ খাথোঙ অমসুং ইবুধৌ এফ সি লৈমপোকপম অনীনা শান্নগদবা মেচতা কে ৱাই সি এ খাথোঙ লাক্তুবদগী ইবুধৌ এফ সি লৈমপোকপমনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি নুংথিলদা শান্নখিবা অহানবা মেচতা লমলাই এফ সিনা লসাল টিম বি লৈমপোকপম গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা লমলাই এফ সিগী অহানবা গোল এন জি জিতেন্না মেচকী ১৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এন জি মঙলেম্বনা মেচকী ৩৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা লসাল টিম বি লৈমপোকপমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ও অরুন্না মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি নুংথিলদা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দল্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোম্মা ঈ এস ও বমদিয়ার গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা দল্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোমগী অহানবা গোল রাহুলনা মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল দিপক্না মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ঈ এস ও বমদিয়রগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু পিয়াবুংনা মেচকী ৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

# তোনম্বা মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ২০ ঃ
য়াইরিপোক গ্যাস সার্ভিসকী স্পোন্সর মখাদা বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেশন য়াইরিপোক (বি ৱাই এফ ৱাই) না শিন্দুনা চথুরিবা অহানবা লেট ওইনাম ওংবী তোনম্বা দেবী সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা য়ুনাইটেদ ক্লব অংথানা এন জি এল নোংপোক লৌরেম্বম গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাওনা মায় পাল্লবা য়ুনাইটেদ ক্লব অংথাগী অহানবা গোল ৱাই মালেমঙানবনা মেচকী ৩ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল কে জেমসনা মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা গোল কে রোকিন্না থংনা থংননা মেচকী ১৫, ২০ অমসুং ৩৩ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী তরুকশুবা গোল ৱাই মালেমঙানবনা মেচকী ৪৬ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা য়ুনাইটেদ ক্লব অংথাগী কে জেমস মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা নসাল সিখোং সেকমাইনা টুলিহল এফ সি গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা নসাল সিখোং সেকমাইগী অহানবা গোল রোজরনা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোল সনাথোইনা মেচকী ২৮ অমসুং ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী মরিশুবা গোল রোজরনা মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা টুলিহল এফ সিগী সোটু অমসুং ইরিফা অদুগা নসালগী সনাথোই মখোয় অহুমদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

# দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ ঃ
নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা মার্চ ১৮ দগী ১৯ ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা লমশাং ফুটবোল ক্লবকী গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস টুর্নামেন্ট অদু লোইশিনখ্রে।

স্পোর্টস টুর্নামেন্ট অদুদা পাঙথোকখিবা ফুটবোলগী ইভেন্টতা বি বি এ ময়াং ইম্ফালনা সি টি এফ সি ময়াং ইম্ফালবু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। সি টি এফ সিনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

ইভেন্ট মঙাদা চথুখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস টুর্নামেন্ট অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংনা লাক্লিবা মার্চ ২২ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা লমশাং ফুটবোল ক্লব গ্রাউন্দদা লাক্তুনা প্রাইজশিং লৌরবা য়াগনি হায়না নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

# মোরিস, দি ভিল্লিয়রসনা সাউথ অফ্রিকাবু রন ৩৭ তা মায় পাকহনখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২০ ঃ
এ বি দি ভিল্লিয়রসনা অথুবদা হাফ সেঞ্চুরি লৌদুনা মফম অসিদা ঙসি শান্নখিবা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ গী মেচতা অফঘানিষ্টানবু রন ৩৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

রাইট-হেন্দেদ বেটসমেন অসিনা বোল ২৯ দা রন ৬৪ লৌদ্রিঙৈ মমাঙদা প্রোটিজগী কেপ্তেন ফাফ দু প্লেসিসনা টোস ঙমদুনা সুপর টেন গ্রুপ ৱান মেচতা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। দি ভিল্লিয়রসনা সিক্স মঙা অমদি ফোর মরি লৌদুনা সাউথ অফ্রিকানা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনেল ট্রোফি লৌনবা খুমাঙ চাউশিনখি। সাউথ অফ্রিকানা মমাঙদা শান্নখিবা মখোয়গী ওপনিং মেচতা ইংলেন্দগী মখূৎতা মায়থীহৌখিবনি।



সাউথ অফ্রিকানা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা অপূনবা রন ২০৯ লৌখি। মখোয়না অফঘানিষ্টানগীদমক টার্গেট রন ২১০ পীরমখি।

অফঘানিষ্টাননা মখোয়গী টার্গেট রন অদু লৌনবা নিংথিনা শান্নরক্তুনা ওভর ৩.৪ দা রন ৫০ লৌখি অদুবু অথুবদা ৱিকেটশিং মনম মনম তুখিবদগী ৱিকেট পূম্নমক আউট ওইরগা রন ১৭২ লৌদুনা মায়থীহৌখি।

সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লিং ষ্টার ক্রিস মোরিসনা ওভর মরিদা রন ২৭ পীথোক্লগা ৱিকেট মরি লৌখি। প্রোটিজগী লেফট হেন্দর ক্লিন্টোন দি নোকনা বোল ৩১ দা রন ৪৫ লৌখি। মহাক্না ফোর তরুক অমদি সিক্স অনী লৌখ্রবা মতুং ১২ শুবা ওভরদা অমির হামজাগী বোলদা ৱিকেট কিপর মোহম্মদ শাহজাদনা কেচ তৌদুনা আউট ওইখি। কেপ্তেন দু প্লেসিসনা বোল ২৭ তা রন ৪১ লৌখি। মদুদা ফোর তরেৎ অমদি সিক্স অমা লৌখ্রবা মতুং ওভর তরাদা রন আউট ওইখি।

ওপনর হসিম অমলানা বোল ৫ দা রন ৫ খক্তমক লৌদুনা নীংবা কায়না ফিল্ডদগী আউট ওইদুনা থোকখি। জিন পাওল দুমিনিনা নোট আউটতা বোল ২০ দা রন ২৯ লৌদুনা ফোর অনী, সিক্স অমা অমসুং দেভিদ মুল্লরনা বোল ৮ দা রন ১৯ লৌদুনা ফোর অনী, সিক্স অমা কন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

সাউথ অফ্রিকাগী বোলর কাগিসো রবদানা ওভর ৪ দা রন ৩৭ পীরগা ৱিকেট ২, কেলে অবোটনা ওভর ৪ দা রন ৩৬ পীরগা ৱিকেট ২ অমদি ইমরান টহিরনা ওভর ৪ দা রন ২৪ পীরগা ৱিকেট ২ লৌদুনা অফঘানিষ্টানগী বেটসমেনশিংগী মখোয়গী মতিক মথৌনা অদু নমহৎখি।

মায়থীহৌরবা অফঘানিষ্টানগী ওপনর মোহম্মদ সহজাদ (ৱিকেট কিপর) না বোল ১৯ দা রন ৪৪ (ফোর ৩, সিক্স ৫), নুর আলি জদ্রননা বোল ২৪ দা রন ২৫ (ফোর ১, সিক্স ১), গুলবাদিন নাইবনা বোল ১৮ দা রন ২৬ (ফোর ৩, সিক্স ১), সামুইলা সেনৱারিনা বোল ১৪ দা রন ২৫ অমদি নজিবুলা জদ্রননা বোল ৮ দা রন ১২ লৌদুনা মখোয় টিমগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌখ্রবসু মায়থীবদগী কনবা ঙমখিদে।

মখোয়গী বোলর দৌলট জদ্রননা ওভর ৩ দা রন ৪৬ পীথোক্লগা ৱিকেট অমা, অনির হমজানা ৱিকেট ১, সপুর জদ্রননা ৱিকেট ১ অমদি মোহম্মদ নবিনা ৱিকেট ১ লৌদুনা টিমগীদমক মতেং পাঙখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে।

# ৱেষ্ট ইন্দিজনা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ টি ২০ দা বংলাদেশপু রন ৪৯ দা মায়থীবা পীখ্রে



চেন্নাই, মার্চ ২০ ঃ
ৱেষ্ট ইন্দিজগী নুপী টিম্না মফম অসিদা চথুরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেচতা বংলাদেশপু রন ৪৯ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকখিবগা লোয়নননা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনল চঙননবগী খোঙফম শেম্বা ঙমখ্রে।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৪৮ লৌখি। মখোয়গী বেটসমেন হেলি মেথিয়ুজনা রন ৪১ অমসুং স্কিপর ষ্টাফেনি টেলরনা রন ৪০ লৌদুনা মখোয় টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

দো অসিনা মখোয়গী ওপনিং পার্টনরদা রন ৬৭ লৌদুনা টিমগী খোঙফম ফনা থম্বা হৌখি। অদুগা মেথিয়ুজনা বোল ৪২ দা বাউন্দরি ৪ কনখি। অমদি টেলরনা বোল ৪১ দা ফোর ২, সিক্স ১ য়ৈখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী মরিশুবা ৱিকেটতা দিন্দ্রা দোদিন (বোল ১১ দা রন ২৪) অমদি ষ্টেচি অন কিং (বোল ১৫ দা রন ২০) না নোট আউটতা লৈদুনা রন ৩২ লৌদুনা মখোয়গী রন ১৪০ য়ৌনা চিংখৎপদা মতেং পাঙখি।

মখোয়গী পাউখুমদা বংলাদেশকী নুপী টিম্না ওভর ১৮.৩ দা ৱিকেট পূম্নমক ওল আউট ওইরগা রন ৯৯ খক্তমক লৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মখূৎতা রন ৪৯ দা মায়থীহৌখি।

বংলাদেশনা ঙসিগী মেচতা মায়থীখিবা অসিনা টুর্নামেন্ট অসিদা থংনা থংননা মায়থীবা অহুল্লকশুবা ওইখি। স্কিপর টেলরনা ওভর ৩ দা রন ১৩ পীথোক্লগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেচ অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা বোলর ওইখি।

বংলাদেশকী নিগর সুলটানানা রন ২৭ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা টিমগী বেটসমেন ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেনশিংনা রন ২০ দগী হেন্না লাম্ঙোক্না য়ৈবা ঙমখদে।

নিগর সুলটানাগী হেক মথংদা ফরগনা হগনা রন ১৭ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা বেটস ৱিমেন ওইখি।

# অমিটাব বচ্চন্না ইন্দিয়া-পাকিষ্টান অনীগী মেচতা লৈবাক নীংবা ঈশৈ শকখিবগী ফী লৌখিদে ঃ সি এ বি ওফিসল

কোলকটা, মার্চ ২০ ঃ
ইন্দিয়াগী সিনে মেগাষ্টার অমিটাব বচ্চন্না কোলকটাগী ইদেন গার্দেন্দা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ইন্দিয়া-পাকিষ্টান অনীগী মেচতা লৈবাক নীংবা ঈশৈ শকখিবা অদুগীদমক করিগুম্বা মখল অমত্তগী ফী লৌখিদে হায়না ক্রিকেট এসোসিএশন ওফ বেঙ্গল (সি এ বি) গী সেনিয়র ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইদেন গার্দেন্দা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখিবনি।

হন্দক্তা বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপকী মেচ অমদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু মায়থীবা পীখিবনি।



সোসিএল মেদিয়াদা রিপোর্ট তৌনখিবদা মেগাষ্টার অসিনা নেসনল এন্থেম শকখিবা অমদি হান্নগী ক্রিকেটরশিংবু হরাউ তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াবগীদমক লুপা ক্রোর ৪ লৌখি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মেদিয়াগী রিপোর্টশিং অদুদা মেগাষ্টার অসিগী ফেনশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অসিগুম্বা মহাক্কী লৈবাক নীংবগী থবক্তা শেলগা মস্তিক্লুবা তৌখিদে হায়খি।

ফীভম অসিদা ক্রিকেট এসোসিএশন ওফ বেঙ্গলগী টোপ ওফিসলশিংনা মেগাষ্টার অসিনা ইন্দিয়া-পাকিষ্টানগী মেচ অদুদা লৈবাক নীংবা ঈশৈ শকখিবগীদমক ফী লৌখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অদুনা হায়খি, অমিটাব বচ্চন্না করিগুম্বা শেনফম অমত্তা ঐখোয়দগী লৌখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।



HL-B/3006/9,15,21,29,4



HL-B/2975/24/2-23/3



HL-P/7924/18,19,21,22,23,29,31,2,4,6,8,12,14,16



HL-B/2987/1-30March